## নোংমগী ওইবা মেলা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
মণিপুর পোষ্টেল দিভিজননা শীন্দুনা মীয়ামদা ইনফোর্মেসন অমসুং এৱ্যেরনেস পীনবগীদমক পোষ্টেল লাইফ ইন্সুরেন্স এন্দ রুরেল পোষ্টেল লাইফ ইন্সুরেন্সকী মতাংদা নোংমগী ওইবা মেলা অমা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৮গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী পোরোম্পাৎতা লৈবা মোদর্ন কোলেজদা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী অধ্যক্ষ পি বিমোলনা অথোইবা লেঙবীরকপী, পোষ্টেল সার্ভিসকী দিরেক্টর টি মংমিনথাং, আই পি এসনা থৌরম মপু অমসুং মোদর্ন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডো. কে বিরেননা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা কলচরেল শো কয়া য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেলা গ্রেটর ইম্ফাল মরু ওইনা পোরোম্পাৎ এরিয়াদা লৈরিবশিংনা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না উখ্রুল সব-দিভিজন, উখ্রুলগী ইন্সপেক্টর ওফ পোষ্ট ওফিসেস মোহম্মদ নাসির অহমদনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
ঙসি য়ং য়ুনিয়ন ক্লব, ইরোম মৈস্ত্রাওনা শীন্দুনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী ভেটিরিনরী এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা ইরোম মৈস্ত্রাওগী অকোয়দবা লৈরিবা হূই অমসুং হৌদোংশিং হীদাক কাপখ্রে। খঙহৌদনা ওইরক্লিবা রেবীজ লায়নাদগী ঙাকথোক্নবা য়ুম য়ুমদা লোইরিবা হূই অমসুং হৌদোংশিং পুন্না ১৮০ ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা কাপথোকখি। মতম মতমগী ওইরকপা শা-ষণ অমসুং খঙহৌদনা শন্দোরকপা য়াবা মীওইবা শোকহল্লকপা য়াবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্নবা মহৌশাদগী মতেং পাংদুনা লাকপিরিবা ভেটিরিনরী এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী দিপার্টমেন্ট, শামুরৌ ব্রাঞ্চপুল্লব অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়ং য়ুনিয়ন ক্লবকী সেক্রেটরি এ তেম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## এলবম ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা খৎ-খৎ খৎলিবা হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ভিদিও ম্যুজিক এলবম অমা ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা শক্লাইরবা এক্টর নরেন্দ্র নিংওম্বানা অথোইবা লেঙবীরকপা, দি দি কে, ইম্ফালগী ন্যুজ এদিটর এন নবেদানা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা অমসুং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিপ্যুটি দিরেক্টর টি ঐচ নিমাইচান্দনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি হায়না রাজধানি ফিল্মস প্রদক্সনগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রাজধানি ফিল্মসনা পুথোকপা এলবমসিগী প্রদ্যুসর অমসুং শৈরেংবনা এন প্রেমান্দানি। ওজিৎকুমার লুৱাংচানা খুদোল তম্বা এলবমসিগী দিরেক্টর ও সি মৈরানি। গুরুময়ুম হেমোলতানা শকপা ঈশৈশিংগী ম্যুজিক দিরেক্টরনা রাবৈ কৈশামচানি, এক্ট তৌরিবশিংনা নাওবা অমসুং থাদোইনি হায়রি।

## লাইরিক অনী ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা চুরাচন্দপুরগী খুগা তম্পাক্তা লৈবা মীতৈ সোসাইটি ওফিস্তা নোংচুপ হারম খোর্জৈ লূপ (নোহাখোল), য়ুরেম্বমগী ওজা কমল তোইজাম্বানা ইবা থাংবোইগী মপা হায়না মিংথোনবা ৱারী মচাগী লাইরিক, লূপ অসিগী ১২৫শুবা অমসুং মতম মতমগী হায়না মিংথোনবা ৱারেংগী লাইরিক অমগা পুন্না লাইরিক অনী ফোঙখ্রে হায়রি।
নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি তোংব্রম শামুঙৌনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট গৌরো থোঙাম, প্রো. আই এস কাঙজম, একামী এৱার্দি য়ুরেম্বম ইবোমচা, পোক্প ফমগী এদিটর এ রোবিন্দ্রো অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিটর খোগেন্দ্রো খোমদ্রামনা মথংশিংনা থৌরম মপু, অথোইবা লেঙবীরকপা অমসুং অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## স্কোলরশিপ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা স্কোলরশিপ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি লিলোং হাওরৈবী শমবুখোংদা লৈবা য়ু জে বি মদ্রাসাগী কেম্পস্তা য়াম্না চীং-লেম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না কাউন্সিল অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জলালউদ্দিননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেটগী প্রসিদেন্ট মৌলানা অসলমজান, পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট মুফটি অরসদ হুস্যেন কাসমী, এস দি পি, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট মৌ. ৱাহিদুর রাহমান, ৱার্দ নম্বর ৩কী কাউন্সিল্লর অলহাজ নূরজমান, অলহাজ মু. হাসন, অলহাজ সাইদ অনৱার হুস্যেন, অলহাজ মুবারক অলি অমসুং অলহাজ মৌ. অব্দুল নাশিরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়নন মাহৈরোয় ৪২দা স্কোলরশিপ য়েন্থোকখি হায়রি।

# শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎরগনি ঃ রুম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুর (রুম)না অঙম্বা পাঙ্গলনা হোৎনরগনি লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা লৈপাক মীয়াম্নসু শিন্মীশিংগী খোঙজংশিং অসি পুন্না চঙশিনমিন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।
রুমগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিংথেম লুৱাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল পীবীদবগী থৌদোক নোংমা কাংদনাথোক্লি। ফীভমসিদা লুরিবদি নোংমগী খুৎশুমন্না চরা তাল্লিবা শিন্মীশিংনা মখোয়গী খুৎশুমল পীবীদ্রবা মতমদা কন্নাদা ৱাকৎকদগে।
গভর্নমেন্টকী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা অমসুং লনাই লোইশঙসিদা থবক তৌরিবা শিন্মীসিংগীদি থা খরা খুৎশুমল ফংদবদা থবক লেপ্পবগী খোঙজং চঙশিল্লি লোয়ননা গভর্নমেন্টনসু অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙলকই। অমবু লাইবক থীবদি লনাই ওইনা অন ওর্গনাইজ সেক্টরদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংদি মহাক্কী খুৎশুমল ফংদ্রবা মতমদা মরোমদোম থেংনবা তাই মদুসু শেঞ্জাও পায়বা, খঙন-চান্নবা লৈবশিংগী মায়োক্ত।
মহৌশানা অৱাবা তারবা শিন্মীশিং পুনশিন্নবগী থৌরাং লৈতে, থবক শুবগী চৎন-পথাপ, লোগী ওইবা মথৌ তাবশিং মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতে। মরমদি থবক ফংননবা হোৎনবদা থবক পীরিবা মীদুদা হায়জ-নোঞ্জবা তারকই। অমসুম্না থবক শুখ্রবা শিন্মীশিংনা থবক লোইশিল্লক্লবা মতমদা মতিক চাবা খুৎশুমল পীথোক্তে। মচিৎ মচিৎ তৌদুনা খুৎশমল নমশিন্দুনা থম্মী। মমৈদা খুৎশুমল মতম চুপ্পগী ওইনা হাৎখি । মতাং অসিদা রুমনা থমজনিংবদি অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকশিংসিদা অচুম অরান কনানা ৱায়েনগদগে হায়বসিনি হায়রি।
গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অৱাবা তারবা শিন্মীশিংগী করি পায়খৎখ্রবগে? মখোয়গী করি চৈঙাক পীবীরবগে? লোগী ওইবা থোঙদা কন্দাইফাওবা মতেং পাংগদৌরিবগে? শিন্মীশিংবু মতিং লৈহন্নবা করি থৌরাং পায়খৎখ্রবগে হায়বা ৱাহংসি চোংথোরক্লি। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাকনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীনবা পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।
অসিগুম্বা তানফম অসিদা রুমনা থাজজবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তম শাগৎপনি। লোয়নন মতিং লৈবা, মথৌ পুক্নিং চঙবা, থৌগল্লোন লৈবা, শিন্থোং খঙবা শিন্মীশিং শেমগৎপগা লোয়ননা ইশা ইশাদা থেংনরিবা খুদোংথীবশিং পুন্না মায়োক্নবগী মতম য়ৌরে হায়রি।

# লৌরদ্রবদি মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌরোইদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৫দগী মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপুনবা লূপ (মীলাল), কংলৈপাক্কী থৌমীশিংনা তম্পাক্তা চেল্লিবা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমসুং স্কুল সার্ভিস তৌরিবা ওটো, মেজিক, ভেন, বস, ৱিঙ্গরশিং ময়েক থারমদবগীদমক মখোয় মখোয়গী আর সি বূক ফাগৎখিবগী মখা তারকপা ওইনা গারিগী মপুশিংগী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরিশিং মীলালদা লাক্নুনা ময়েক থাদবা গারি খুদিংমক নুমিৎ৫নিগী মনুংদা থাজরগে হায়বদগী গারিগী আর সি বূকশিং শিন্নখ্রে অদুবু লৌবা লাক্ত্রিবশিং নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা মীলালদা লাক্তুনা লৌবীয়ু, মখা তানা লাক্তবগী ৱাকৎ লৌজরোই হায়রি।
মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন সি মৈরিকখোম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মীলালনা লোল অমসুং ময়েক মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙরজংগী মনুং চন্না লমদমসিদা শীজিন্নরিবা ইঞ্জিন পানবা গারি খুদিংমক হায় সেক্যুরিটি নম্বর প্লেট শীজিন্নরবসু লমদমসিগী লৈঙাকনা শক খঙলবা মীতৈ ময়েকনা গারি খুদিংমত্তা থাবীগদবনি হায়না চহী কয়াদগী মীলালনা হায়জদুনা লাক্লি।
অদুবু মীলালগী ইগজিক্যুটিব মীফম অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১০ ফমদুনা কুমজা ২০১৫ হেক চঙলকপদগী ইঞ্জিন পানবা গারি খুদিংমক ময়েক থারমদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙসিনগনি হায়না পাউচেগী খুত্থাংদা লাউথোকখি। মদুনগা মতুং ইন্না হৌখিবা জন্যুৱারী ১০দগী ময়েক থারমদবা গারি কয়া ময়েক থানহনবগী খোঙজং পরিং নাইনা চৎথরকখি। অদুবু লমদম অসিগী মীয়াম্না মতম খরা কোমথোকপিনবা মীলালদা হায়জরকপদগী জন্যুৱারী থা অসিমা কোমথোকখি হায়রি।
অদুবু ফেব্রুৱারীগী অঙনবা শরুক্তগী ময়ে থারমদবশিংগী মথক্তা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না পাউচেগী খুত্থাংদা লাউথোকখিবনি হায়রি।
ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা মীলাল ময়াই লোইশঙদা তম্পাক্কী স্কুল খুদিংমক্কী সার্ভিস তৌরিবা ভেন এসোসিএসনগী অমেষ্টা হায়রিবা অসিগী সেক্রেটরি জেমি তোংব্রম অমসুং মীলালগী সেক্রেটরি জেনরেল পাওনম থাকাবা মীতৈগা ফম্মিন্নদুনা এমেষ্টাগী মখাদা অঙাং থিল্লিবা স্কুলগী ভেন খুদিংমক ফেব্রুৱারী থা অসিগী মনুংদা মীতৈ ময়েকনা থারনি হায়না য়ানখ্রে। লোয়ননা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমসুং লনাই গারিশিং, গভর্নমেন্টকী সার্ভিস তৌরিবা গারি খুদিংমক অথুবা মতমদা ময়েকনা চাউনা চাউনা থাবীয়ু। করিগুম্বা থারমদবা গারিশিংদি মীলালগী থৌমীশিংনা মফম অমদা হেক্তা গারিগী চে নৎত্রগা ছো লৌখৎলগনি। পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা ইচিন ইনাওশিংনা চৎকদৌরিবা মফমদগীনা থুংগদৌরিবা মফম অদু ফাওবা মীতৈ ময়েকনা চাউনা চাউনা থাবীগদবনি হায়রি।
লোয়ননা ফ্লেক্স কাপ্পুনা মীয়ামদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরিবা অমসুং বেনর, বেক দ্রোপশিং বোর্দ, হোলিদং খুদিংমক্কী মকোক্তা য়াম্না চাউনা চাউনা অমসুং ময়েক শেংনা মীতৈ ময়েকনা থাবীগদবনি। মদুনৎত্রবদি ফ্লেক্স কাপ্লিবা অমসুং এদভর্টিমেন্ট তৌরিবা খুদিংমক থিংজিনগনি হায়নসু চেরোলসিদা মীলালনা খঙহল্লক্লি।

# চিলদ্রেন হোমদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬কী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা লাইওন ক্লব, ইম্ফাল সিটিগী পার্মিনেন্ট প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা কৈবী সনাপাৎ, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা য়াইবীলেন দেষ্টিট্যুট চিলদ্রেন হোমদা লৈবা অঙাংশিংগীদমক চেঙ, হৱায়, থাউ, অলু, তিলহৌ, চিনি, জর্সি, বোই-কলম অমসুং পেন্সিলনচিং পীবগা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না হোম অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল এম কে ইল্লাৱারগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌমর অদুদা লাইওন ক্লব, ইম্ফাল সিটিগী প্রসিদেন্ট লাইও কে গোপান, সেক্রেটরি লাইও কে লোকেশোর অমসুং য়াইবীলেনগী সেনিয়র মেম্বর এন তোম্বানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। লাইওন ক্লবকী শক্লাইরবা মেম্বরসিং অমসুং য়াইবীলেনগী মেম্বরশিং অমসুং হোমগী অঙাংশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি হায়রি।
লাইওন ক্লব, ইম্ফাল সিটিগী সেক্রেটরি ওইরিবা কাদাগী ঈ ঈ লাইওন কোন্থৌজম লোকেশোর, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক্তা লৈবনা মশাগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩ হোমগী অঙাংশিং লম কোয়বদা মতেং ওইনবগীদমক পীরম্বগীদমক লাইওন লোকেশোর অমসুং অতৈ লাইওন মেম্বরশিংবু য়াইবীলেনগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎচবা লোয়ননা মতম লৈবা খিবীক্ত তইবং মপুনা থৌজনবীনবা থৌনিজরি হায়রি।

# HRANGCHAL GAS AGENCY

**Old Lambulane: Imphal**

## CONDOLENCE

February, 7th, 2015




We are deeply sorry to inform our valued customers that due to the sad and untimely demise of our beloved proprietor **MISS GLACIE CHONGMOI,** D/o (L) Elizabeth Hrangchal,our office will remain closed until further notified w.e.f, the 7th February, 2015.

We deeply regret for the inconvenience caused to our customers and request each and every one to bear with us during this sad and difficult period of ours.

**Sd/- Management**
Hrangchal Gas Agency, Old Lambulane, Imphal

HL-P/3566/08




## কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৪দা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া সার্কল ওদিটর এম বিক্রম, কেশ ওফিসার ওনখোদে সিংলৌ অমসুং রিটায়র্দ সেনিয়ার এসিষ্টেন্ট নেখোসৈ সিংলৌনা সপরমৈনাদগী ইম্ফালদা হল্লকপগী লম্বীদা তমথীনা ফুখিব, মখোয়গী শেল অমদি মপোৎশিং মুনবা অমসুং কার অমাঙ অতা থোকহনখিবা থৌদোক অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিং ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং ওফিসারশিংগী লূপ অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স, মণিপুর ষ্টেট কমিটিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।
য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স, মণিপুর ষ্টেট কমিটিগী কো-কনভীনর এস এন্দ্রকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মতম চানা সেকমাই পুলিসনা এফ আই আর অমা লোজ তৌখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মরাল লৈবশিং ফাদ্রি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লকপা থিংনবগীদমক পুলিসকী থবক থুজিন্নবা ওথোরিটিদা য়ুনিয়ন অসিনা তকশিল্লি।

## মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৫দা অৱাং পোৎশংবম খুনৌদা হৈঙাং লোকেল কাউন্সিল, সি পি আইগী লোকেল কনফরেন্স থাংজম বিধুনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রেহায়না কাউন্সিল অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীফম অদুনা মীওই মাপলনা শাবা লোকেল কাউন্সিল অমা শেমদুনা কমরেদ নান্দেম নিমাইবু লোকেল সেক্রেটরি ওইনা খনখি অমসুং আই এল পি চৎনহন্নবা তকশিনখি। লোয়ননা সি পি আইগী লুচিংবা লাইশ্রম সোটিনকুমারনা হৌদোকপগা লোয়ননা লৈপাক অসিদা পৱার পায়রিবা কাঙবুনা লৈত-লাইরা মীয়ামদা মখল কয়াগী মীওৎ-মীনৈ চত্থবা লোনচৎ অসিনা মীয়ামদা নোংমা নোংমগী থেংনরিবা অৱাব অনা কয়াগী মতাংদা নিংথিনা পাউদমখি। ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি আর কে অমুসনাসুৱা ঙাংখি।

# নুমিৎ মরিনি চত্থরকপা রেসিদেন্সিএল লিদরশিপ কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
নেসনেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কমিটি (নিপকো)না শীন্দুনা য়ুঠ ফোর ফ্যুচর হায়বা হীরম অসিদা ফেব্রুৱারী ৪তগী ৭ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থরকপা নুমিৎ ৪নিগী রেসিদেন্সিএল লিদরশিপ কেম্প ময়াং ইম্ফাল আই বি রোদতা লৈবা ব্রেব বোইজ এসোসিএসন (বি বি এ)শঙলেন্দা লোইশিনখ্রে। কেম্প অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াই লম্বীগী অকোয়বদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা খুনশিংদগী লাকপা নহাশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।
নিপকোগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সহাবুদ্দিন চেশাবানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, কেম্প অদু শীনবগী মরমদি মণিপুর নহাশিংনা ময়াইকাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরকপা, মরৈপাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল্লোল মাঙশিল্লকপা, থকশি- খাশি, চৎন-লোনচৎ মাঙশিল্লকপা অমসুং থবক শুফম-নোমফম খঙদনা কক্ঙাওনরকপা ময়ামসি খঞ্জরগা নহাশিংবু তিনচঙ-কায়জংদবা মতিং লৈবা খুন্নাই অমসুং হিংবগী ফংফম থোকপা ফংজনবা মনিং তম্না ৱাখল খলহনবা ঙমজনবা নিপকোনা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্পা মনুংদা তোঙান তোঙানবা হীরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংদুনা কেম্পরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি।
হৌকিবা ফেব্রুৱারী ৫দা ঐচ আর আইদি ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর অমসুং আর টি আই এক্টিভিষ্ট দব্লিয়ু জয়কুমারনা রাইট টু ফূদ এন্দ আর টি আই হায়বা হীরমসিদা ৱা ঙাংখি। ফেব্রুৱারী ৬তনা আর কে রনেন্দ্রজিৎনা নেসনেল কেরেক্টর হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। কো-কনভীনর কে ঐচ রতননা আই এল পিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। অদুগা য়ুনিয়ন সাউথ ইষ্ট এসিয়া ওফিস, ন্যু দিলিগী ষ্টেট পার্টনর (টোবেকো কন্ট্রোল) এস নিমাইচান্দনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা হৌরকপদা অমাঙবা অমসুং পান্থৈ হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি হায়রি।
ঙসি ফেব্রুৱারী ৭, কেম্প লোইশিনবগী থৌরমদা নিপকোগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, বি বি এগী ফাউন্দর মেম্বর টি ঐচ রাজমুহো মৈতৈ, বি বি এগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ জয়ন্ত অমসুং নিপকো, ময়াই লম্বী ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ওইনা বিনাতা মৈতৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগা এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রো. এম সি অরুননা অৱাং নোংপোক মীয়ামদা মৈইনলেন্দ ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং হায়বা হীরম অসিদা ৱাঙলোয় ওইখি হায়রি।
পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফোঙদোক্লখিবদা, নিপকোনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা মাইক্রো কেম্প পাঙথোক্তুনা লমদমসিদা নহাশিংবু অচুম্বা লম্বেল পুশিনবদা পান্থৈ খরদি ওইরগনি। তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা নহাশিংদা হীরম খুদিংমক্তা চৈথেং ফংলি। চৈথেংশিং অসি ঙাকথোকচনবা নহাশিংদা ৱাখল খনবা ঙমজনবগী লম্বী অমা কেম্প অসিনা মায়কৈ তাক্লি। ২১শুবা চহী চা অসিদি নহাশিংগী মতমনি। মরম অদুনা মখোয়নবু ফরক্লবদি খুন্না অসি চাউখৎপা তংদু লৈতাবা ঈংনা লৈবা মীওৎনৈদগী লাপথোকপা ঙমগিনি হায়রি।


# মহৈরোয়শিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭(ঐচএনএস)ঃ
হন্দক লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৬তগী পাঙথোক্কদৌরিবা কোসেম অমসুং বোসেমগী ইগজামিনেসন্না লাকপদা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা ইগজামিনেসন থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু ওল ইন্দিয়া ষ্ট্যুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।
এ আই এস এফ, মণিপুর ষ্টট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এস সনাহলনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, লাক্কদৌরিবা ইগজামিনেসনশিং অসিগী য়েংবীদুনা মণিপুর লৈঙাকনা মৈ অমসুং ঈশিং চাং নাইনা ফংহনবীয়ু হায়না ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অমসুং ৱাটর সপ্লাই দিপার্টমেন্টপু ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি।
লোয়ননা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা ইগজামিনেসন লোইদ্রিবা ফাওবা হরাউ-কুম্মৈ, ঈশৈ-লীলা অমসুং মেলানচিংবা তৌবদা মমাঙদা থিংদুনা লাক্লবা ফাওবদা অনম কন্দুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। মশাগীদমক খল্লগা সেল তাল্লিবা পুম্নমক অসি এ আই এস এফকী মেম্বরশিংনা দ্রাইব চৎপদা থেংনবা তারগদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং পুম্নমক মশা মশানা পুজগদবনি হায়রি।
অমরোমদা হৌজিক চয়েৎনদুনা লৈরিবা কেথোলিক মাইনোরিটি মিসনরিজ স্কুলগী মতাং সেসন হৌরবা ফাওবদা হৌজিক ফাওবা এদুকেসন মিনিষ্টরনা তুমিন লৈশিনবা অসি এ আই এস এফকী মায়কৈদগী কন্না য়নিংদে। প্রোব্লেম অসিবু খরা থুনা মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা একাদেমীক এটমোসফিয়র কায়হন্দনবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর মসুং দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীনাদ ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরকপিয়ু হায়রি।

## কুমওন থৌরম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ হ্যুমেন রিছোর্স দিভ্লপমেন্ট সেন্টর ময়াং ইম্ফালনা, চুং কম্পেনিনা শীন্দুনা মহা কবি হিজম অঙাংহলগী ১২২শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংনা শৈরেং পাঙথোকপা অমসুং মহা কবিগী লৈরিকশিং উৎখি হায়না সেন্টরসিগী সেক্রেটরি এল গিতরানিগী চেরোল অমদা হায়রি।

## CROSSWORD-1657




**ACROSS**

1 Aid (10)
7 Mariners (7)
8 Suburban house (4)
10 Italy's capital (4)
11 Period of unusually hot weather (4,4)
13 Item of neckwear (6)
15 Brigand (6)
17 Emphasised (8)
18 South American country (4)
21 Grassed area (4)
22 Copy (7)
23 Constantly (3,3,4)

**DOWN**

1 Proposition assumed to be self- evident (5)
2 Blackthorn fruit (4)
3 Female relative (6)
4 German shepherd dog (8)
5 Order (7)
6 Cut off socially (9)
9 Laboratory glassware (4,5)
12 Cradle (8)
14 Letters sent by plane (3,4)
16 City of canals (6)
19 Rub out (5)
20 Flightless New Zealand bird (4)

Solution 1656



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1465**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 6 | | 8 | | | |
| | | | | | | 4 | 6 | 1 |
| | 3 | 4 | | | 7 | | | |
| | | | | 1 | | | | |
| | | 1 | 9 | 6 | | | 5 | |
| | 7 | | | | | | 9 | |
| 9 | | | | | 1 | 3 | | |
| 1 | | | | 9 | | 5 | | |
| | | | | 5 | 2 | 7 | | 9 |

**Solution-1464**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 4 | 5 | 2 | 1 | 9 | 6 | 8 |
| 2 | 8 | 6 | 9 | 3 | 7 | 4 | 5 | 1 |
| 9 | 5 | 1 | 8 | 4 | 6 | 7 | 3 | 2 |
| 6 | 9 | 3 | 1 | 8 | 4 | 5 | 2 | 7 |
| 1 | 7 | 5 | 2 | 6 | 9 | 8 | 4 | 3 |
| 8 | 4 | 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 9 | 6 |
| 3 | 1 | 9 | 6 | 5 | 8 | 2 | 7 | 4 |
| 4 | 6 | 8 | 7 | 9 | 2 | 3 | 1 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 4 | 1 | 3 | 6 | 8 | 9 |




**DUTTA CLINIC**

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

**অঙৌবা পকপা :**



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :**

**ডাইবেটিস :**

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2233/1-28/2